**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-10.2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** পৱার, ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি-মনিপুর পুলিসকী মপাঙ্গল হেন্না কৎহন্দুনা লমদম অসিগী আইনা অমসুং শান্তি রাক্সা ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ইম্ফালগী অহাননবা মনিপুর রাইফলস পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা মনিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী ১৩৩ শুবা রেজিং ডে থোরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-মনিপুর পুলিসকী মীওই লিশিং ৪০ রোম অসিনা ইন্সরজেন্সি থেংনবতা নত্তনা লমদম অসিগী মীয়ামবু অশোয় অঙাম য়াওহন্দনবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অদুবু, করিগুম্বা মতমদা ইরাং লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসকী অশোয়বা য়াওরকপদা মদুবু পুথোক্তুনা ঙাংবা অমদি ফত্তনা উহনবা অসি চুমলোই। পুলিসকী মায়কৈদগীসু মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা থবক পায়খৎহন্নিংই।

মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনা রাজ্য অসিবু ড্রগ ফ্রি ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা পুলিসশিংনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎনিংঙাইনি। চিংগী মফমশিংদা আইন কায়না পোপী থাবা থিংবা হায়বসি ফোরেষ্ট বিভাগ খক্তনা ঙমলোই। মসিদি পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা পায়খৎপা ঙমগদবনি।

মনিপুরগী দি.জি.পি. রাজিব সিংহনা হায়রি-হৌজিক মণিপুরগী ফীভম হান্নদগী য়ামা শিংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলে। হিংশা থোকপগী চাং হন্থরে।

ঙসি ইম্ফালদা মনিপুর পুলিস রেজিং ডে তৌরমদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-শান্তি অমসুং মহৌশাগী ফীভম হনজিলহন্নবা অমদি লৈরিবা ৱাথোক অসি লোইশিনহন্নবগীদমক মীয়ামা মোত কয়া পুথোক্তুনা থোরকপা অমসুং মুকরিবা ফুরুপ অনিগী লূচিংবশিং ফমমিন্নদুনা ৱারি শান্নবা তঙাইফদে। দি.জি.পি না হায়-ৱারি শান্নবা খক্তনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি। ইরাং লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসশিংনা কা হেন্না থৌওং চথৈ হায়বদু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা মহাকা হায়-

পুলিস হায়বসি মীয়ামবু ঙাক শেন্নবনি অমদি পামদবা থৌদোক মখা তানা থোক্তনবা হোৎনবা হায়বসি মখোয়গী মথৌদাংনি।

দি.জি.পি. ত্রোফি ফোর বেষ্ট বটালিয়ন ২০২৪ না অহানবা বটালিয়ন মনিপুর রাইফলস, অনিশুবা খ্বাইদগী ফবা বটালিয়ননা ৮ শুবা অমসুং অনিশুবা মনিপুর রাইফলসন্না পুন্না ফংলে। অহুমশুবা খ্বাইদগী ফবা বটালিয়নগী মনানা খাবৈশোইদনা লৈবা ৮ শুবা আই.আর.বি. বটালিয়ন অমসুং খোংজারোলদা লৈবা মঙাশুবা মনিপুর রাইফলস বটালিয়নদা পুন্না পীখ্রে।

মণিপুর লিংখৎখিবগী ১৩৩ শুবা রেজিং ডে থৌরম পুলিস ষ্টেসন কয়াদসু পাঙথোকখি। বিষ্ণুপুর জিলাদা রেজিং ডে অসিগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর পুলিসনা শিন্দুনা রন ফোর পিছ হায়না মীংথোনবা লমশাং লমজেল অমা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখি। জিলা অসিগী এস.পি- ক্ষেত্রিময়ুম রবিকুমারনা অকাশবানিগী পাউমীদা হায়-ঙসিগী পালন থৌরম অসিনা লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা অমদি ইংনা চিকা পানবা লমদম অমা ওইহন্নবা মীয়ামদা পাউজেল পীখি।

মনিপুর পুলিস রেজিং ডেগা মরি লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা পুলিসকী থৌনা ফারবা ওফিসারশিং অমদি পার্সোনেলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঐখোয়না পালন তৌরিবা অসি পুলিসকী মায় পাকখিবা অদুখক্তা নত্তে। মখোয়গী থৌনা, অমত্তা ওইবা অমসুং মথৌ খঙবা হায়বা পুলিসকী শক্তম অদুবুসু পালন তৌরিবনি।

মনিপুর বিধান সভাগী হিলস এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন-দিনগাংলুং গাংমৈনসু নুমিৎ অসিদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়-ঐতিহাসিক ওইরবা নুমিৎ অসিনা মনিপুরগী মীয়ামদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল, খুমাং চাউশিনবা অমসুং নুংঙাই য়াইফবগী ইথিল পীবা ওইরসনু।

**নিউজ (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী নুংতিগী শন্দোক্লিবা এফ.এম. হেদলাইন্স পাউগী মতমদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

হান্না অয়ুক পুং ১০ মিনিত ৩৫ দা শন্দোক্লবা হেন্দলাইন্স অদু অয়ুক পুং

১০ মখায়দা, নুংথিল পুং ২ দা শন্দোক্লম্বা হেদলাইন্স অদুনা নুংথিল পুং ১ মিনিত ১০ দা অমসুং নুংথিল পুং ২ মিনিট ৫৮ দা শন্দোক্লম্বা অদুনা পুং ২ মখায়দা অমসুং নুংথিল পুং ৩ মখায়দা শন্দোক্লম্বা অদুনা পুং ৩ মিনিত ২৮ দা ওইনা শন্দোক্লগনি। অদুমওইনমক, অয়ুক পুং ৮ মিনিত ৩৫ অমসুং অয়ুক পুং ৯ মিনিত ২৮ দা শন্দোকপা হেদলাইন্সকী মতমদি অহোংবা লৈরোই।

অনৌবা মতম অসি লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ, ওক্তোবর ২১ দগী চৎনবা হৌগনি।

**যোগা(এল)ঃ** নেচরোপেথি অমসুং যোগাগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম হায়বসিগী হীরমদা অৱাং নোংপোক লমদমদা আয়ুস লায়েং চথরিবশিংগী ওইবা নুমিৎ নিনিগী কন্টিন্যুয়িং মেদিকেল এদুকেসন প্রোগ্রাম ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকা খুরাই কোন্সম লৈকাইদা লৈবা খোঙথাং থাবা য়ুনিভরসিতিদা লোয়শিনখ্রে।

কেন্দ্রগী আয়ুস মন্ত্রালয়গী নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ নেচরোপেথি অমসুং খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিনা পুন্না শিনবা থৌরমগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা লমদম অসিদা নেচরোপেথি অমসুং যোগা শান্নবা হেনগৎহন্নবগী মতাংদা য়ুনিভরসিতি অসিগা এম.ও.য়ু অমা সহি তৌনখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা য়ুনিভরসিতি অসিগী দাইরেক্তর অমসুং দিন-ডা: এ. গুনেশ্বর শর্ম্মনা হায়-ঙসি সহি তৌনখিবা য়ান্ন-ৱারোল অসিনা মনিপুরগী মীয়ামদা নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীপুম খুদিংমক নেচরোপেথি অমসুং যোগাগী মতাংদা পুনেদা চৎতুনা মসিগী খুদোংচাবা লৌবগী মহুৎতা য়ুনিভরসিতি অসিদা ওইনা লাক্তুনা খুদোংচাবশিং ফংলগনি।

**পেন্সন (এল)ঃ** শিংজমৈ বিধান সভা কেন্দ্রগী পোলিটিকেল এক্তিভিষ্ট-ওইনাম রোমেননা তাঙ্কক নাইনা চথরকপা পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ওইনা পেন্দ্র অসিগী মনুং চন্না লৈবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিং অমদি অহল য়াওনা পুন্না মীওই ১৩৭ তা থাগী পেন্সন ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

পেন্সনগী শেনফম অদু পোলিটিকেল এক্তিভিষ্ট অসিগী শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙসি য়েন্থোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ওইনাম রোমেননা হায়-হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংবু কৈদৌঙৈদসু তাথি-তাওইনা তৌরোইদবনি। মখোয়দা ঈশ্বরনা পীথোরকপা তোপ তোপ্পা মগুন অমদি হৈথোই শিংথোইবা কয়া য়াওরি।

থৌরম অদুদা শ্রী রোমেননা হায়-অসিগুম্বা মীওইশিংদা সরকারনসু মতেং পাংলি। সরকারনা মতেং পাংবগী মথক্তা মহাক্কী লৈজবা শেনফমনা মীওইশিং অসিদা মতেং পাংবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাংনি খনবদগী পেন্সন য়েন্থোকপগী থবক অসি চথবনি।

**পুয়া (এল)ঃ** পুয়া মৈ থাখিবগী চহি ২৯২ শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

পুয়া মৈ থাখিবগী অপুনবা নীংশিং লুপ কংলৈপাকা শিনদুনা নুমিৎ অসি লাইগী ওইবা থৌরমতমক কংলা উত্রা মমাংদা পাঙথোকখি।

**ইহৌ (এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগ, নিংথৌখোং প্রোটেক্সন কমিতি, চিং-তম লীচিং লুপ অমসুং এন্টি দ্রগ কেম্পেইন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শিনদুনা ঐখোয়গী অনৌবা লাঙোনগী ইহৌ ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নিংথৌখোংদা লৈবা সরদার পতেল হায়স্কুলদা 'ঐখোয়গী খুন্নাইনা মায়োক রিবা নিশাগী শিংনবা অমসুং লৈবাক মীয়ামনা পীগদবা পাউখুম' হায়বসিদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** নুমিৎ হুমনি চথরকপা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট এদুকেসন ফেস, ঙসি য়ু.বি.সি. জল্লি হোল-উখ্রুলদা লোয়শিনখ্রে।

ফেষ্টিবেল অদু নোর্থ ইষ্ট ফাউন্দেসন ফোর কলচর এন্দ এদুকেসন সেন্টর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন উখ্রুলনা পুন্না শিনবনি। ফেস্তিবেল অদুদা জিলা

অদুগী তোঙান তোঙানবা মহৈ তমফমশিং শরুক য়াখি অমসুং মহৈরোইশিংগী ওইবা কম্পিটিসন কয়াসু পাঙথোকখি।

**ডে(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবমদা লৈবা লিবরেল কলেজ লিংখৎখিবগী ৪৫ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লিবরেল কলেজ ফাউন্দেসন ডে সেলেব্রেসন কমিতিনা শিনদুনা কলেজ অসিগী মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কলেজ অসি লিংখৎপদা থৌদাং লৌরম্বা লাইওইখ্রবা মীওইশিংগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** ফিশাবীশিং অমসুং আর্টিসানশিংবু সরকারগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা গ্যান তাহনবা অমসুং ফাইনান্সিয়েল লিটরেসিগী মতাংদা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি লিলোংদা লৈবা লাইশ্রমখোঙ মকোক কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল-থৌবালনা থৌরম অদু এস.বি.আই. লিলোং, মনিপুর রুরেল বেঙ্ক-লিলোং ব্রান্স, এল.দি.এম. থৌবালগা পুন্না শিনবনি।

**লাইরিক (এল)**ঃ মেসোসকোপিক ষ্ট্রকচর এন্দ রিজনেল টেকটোনিক্স ওফ মনিপুর ভেল্লি এন্দ এদজোইনিং এরিয়াজ কৌবা লাইরিক অমা ঙসি সনা কোনুং ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্য সভাগী মেম্বর-নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখ্রে।

লাইরিক অদু মহারাজ বোধচন্দ্র কলেজ ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল-ফ্রোফেসার আর.কে. হেমন্তা সিংহনা ইবনি।

**নোং (এল)ঃ** মণিপুরগী জিলা অয়াম্বদা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা মচি

মচিদা নোং চুগনি। মেটিওরোলোজিকেল সেন্তরনা ইম্ফালনা হায়-ঙসি সেনাপতি জিলাগী মফম খরদা য়ামা কন্না নোং চুরবা য়াই। অতৈ জিলাশিংদসু অখাক অরাউ য়াওনা ময়াই ওইরপা নোং চুগনি হায়রি। হায়রিবা ফিভম অসি নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা থোইনা অহোংবা লৈরোই।

হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা চান্দেল জিলাদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই। লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতদি জিলা অয়াম্বদা কংনা লৈগনি অদুবু ওক্তোবর ২৩ অমসুং ২৪ দদি জিলা খরদা ময়াই ওইরপ্পদগী য়ামা কনবা ফাওবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**লম্বী (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ (এ) গী শরুক অমা ওইরিবা ৱাবগাই লমখাইদগী ককচিং চৎপগী লম্বী নোং খজিক্তুং হেক তাবগা ঈশিং থুমজিনবনা লম্বী অসি চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে হায়রি।

ৱাবগাই অপুনবা ক্লবশিংগী বোদি অমা ওইরিবা কার্ড-ৱাবগাইনা শিনদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-হুইদ্রোম কিশ্বরজিৎনা হায়-নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ (এ) গী মফমশিং অমসুং ইন্দো-বরমা সুগ্গী লম্বীগী ফিভম কা হেন্না ফৎত্রিবশিং অসি মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা হায়রি।

**বাস্কেটবোল (এল)ঃ** ২৮ শুবা য়ুথ বোইজ অমসুং গালর্স ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি নহাবম বাস্কেটবোল কোটতা শান্নখিবা নুপামচাগীদা সি.ৱাই.এল.সিনা দি.দি.বি.এসপু পোইন্ট ৬২-১৮ দা থোইখ্রে।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, হয়েং মহাক্কী কেন্দ্রদা বরানাসিদা চৎতুনা লুপা কোতি লিশিং ৬,৬০০ হেনবগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি, খরগীনা যাত্রা হুনগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুদা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংগনি। বরানাসিগী

পুলিস কম্মিস্নার-মোহিত অগরৱালনা হায়-প্রধান মন্ত্রিনা চৎকদবা লন্বীশিং নোংথক্তগী দ্রোননা য়েংশিনগনি। কেন্দ্র অদুদা লৈরিঙৈদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি ৩৮০ লাখ ১৩ চংনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট ১৪ শঙ্গাগনি। মসিগী মনুংদা আর.জে. শঙ্কর আই হোস্পিতাল অমসুং ষ্টেদিয়ম অমা য়াওরি। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ২,৮৭৪ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী যাত্রাসু হুনগনি। হকশেল, শিক্ষা, শান্ন-খোৎনবা, ধর্ম্ম, টুরিজম য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবা মফমশিং মীয়ামদা কৎথোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা বরানাসি ইয়ারপোর্ট পাকথোক চাউথোকবা অমসুং অনৌবা টরমিনেল বিল্ডিং শানবা যাত্রা হুনগনি। প্রধান মন্ত্রিনা সিগারা স্পোর্টস ষ্টেদিয়মদা মীওই লিশিং ২০ লোমদা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

**ছাতিসগর ঃ** ছাতিসগরগী নরায়নপুরদা আই.ই.দি. পোকখায়বদা জৱান অনি শিরে।

নরায়ন দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পাউনা হায়-নক্সলাইটশিংনা ঙসি আই.ই.দি. পোকখায়হল্লকপদা ইন্দো টিবেটান বোর্ডর পুলিস (আই.টি.বি.পি) গী জৱান অনি শোকখি। তুংদা, মখোয় অনিমক লৈখিদবনি। বাস্তরগী আই.জি-পি. সুন্দরাজনা হায়-আই.টি.বি.পিগী টিম অমনা পেত্রোল্লিং চৎলিঙৈদা নক্সলাইশিংনা এট্টেক চথরকপগা লোয়ননা আই.ই.দি. পোকখায়হনখিবনি। মফম অদুদা জৱান অনি অদু অশোক অপন নংখিবনি। তুংদা, মখোয় লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি।

ঙরাং দনতেৱারা, নরায়নপুর ঙমখৈ পরিংদা সেক্যুরিতিগা খুৎ থোকবদা নক্সলাইট ৩৮ হাৎখিবনি। দনতেৱারা পুলিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ঙমখৈ পরিং অসিগী উমং অমদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা মখোয় ৩৮ অদু লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবা মীওই ৩৮ অসিগী পাউ পীবদা লুপা কোতি অনি লাখ ৬২ পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীওইশিংনি। মীওই ৩৮ অদুগী মনুংদা পুলিসনা হৌজিক ফাওবদা নক্সলাইট ৩১ গী হকচাং ফংলে। মসিগী মনুংদা মীওই ২৯ দি মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে।

**ঝরখন্দ ঃ** ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলদা ইন্দিয়া ব্লোকা সিট য়েন্নবগী মতাংদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। মীখল অসিদা ঝরখন্দ মুপতি মোরচা অমসুং কংগ্রেসনা সিট ৭০ দা মীখল থেংনগনি।

রাঞ্চিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ঝরখন্দ মুপতি মোরচাগী ইগজিক্যুটিব প্রসিদেন্ট-হেমন্ত সোরেননা হায়-সিট ১১ না আর.জে.দি. অমসুং সি.পি.আই (এম.এল) দা পীরগনি।

শ্রী সোরেননা হায়-ঝরখন্দ মুপতি মোরচা অমসুং কংগ্রেসকী মরক্তা সিট য়েন্নবগী ৱারেপ অথুবা মতমদা লৌরগনি। মসিগী মথক্তা আর.জে.দি. অমসুং সি.পি.আই (এম.এল) গী সিট য়েন্নবগী ৱাফমসু অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি। মহাকা হায়-মহাক্কী দলগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি।

মরক অসিদা, ইলেক্সন কম্মিসননা রাজ্য অদুগী এক্তিং দি.জি.পি.-অনুরাগ গুপ্তা খুদক্তগী মহাক্কী ফমদগী লৌথোকবা ঝরখন্দ সরকারদা পাউতাক পীখ্রে। কম্মিসননা হায়-দি.জি.পিগী পোষ্ট অসি খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা ওফিসার অমদা শিন্নগদবনি। ঝরখন্দ বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অনি থোকা নবেম্বর ১৩ অমসুং ২০ দা ভোট থাদনগনি। ভোট মশিংনা নবেম্বর ২৩ দা থিগনি।

**ই-গভরনান্স ঃ** নেসনেল ই-গভরনান্স দিভিজননা 'অখঙ অহৈশিংদা হংলসি' হায়বা অহানবা ইপিসোদ ঙসিদগী হৌখ্রে। থৌরাং অসিনা দিজিটেল ইন্দিয়া থৌরাংগী মরমদা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংনা সরকারগী কর্ম্মচারিশিং নৎত্রগা সবজেক্ট এক্সপার্টশিংদা ৱাহং হংদুনা মখোয়না ভাব তাদবশিং খঙনবগী খুদোংচাবা পীরি।

কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না হায়-য়ামা তোপ তোপ্পা লাইফ প্রোগ্রাম অসি দিজিটেল ইন্দিয়াগী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদা

শন্দোক্লি। ঙরাং শন্দোকখিবা অহানবা ইপিসোদতা দি.জি. লোক্করদা অহেনবা মীৎয়েং থমখি।